**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 11-06-2026)**

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-মালেম অসিদা তংদু লৈতাদবা অমদি মরা চেৎতবগী ফিভম অমা লৈরবসু ভারত থাজবা অমসুং অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা মাংলোমদা চংশিল্লি।

ন্যু দিল্লিগী রাস্ত্রপতি ভাবনদা নিতি আয়োগকী ১১ শুবা গভর্নিং কাউন্সিল মীফমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী মোদিনা হায়-কেন্দ্র অমসুং রাজ্যশিংনা অপুনবা দায়ত্ব লৈনা ভিক্সিত ভারত মংলান ওইহন্নবগীদমক ভারত মাংলোমদা চংশিল্লি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-তেংবাং পীনবা, ৱারী শান্নবা অমসুং অমগা অমগা তাথোক তাশিন তৌনবনা লৈবাক অসিগী মংলানশিং অদু মংফাওনবগা লম্বীদা মাংলোমদা চংশিনগনি। নিতি আয়োগনা মসিগীদমক মরুওইবা থৌদাং অমা লৌরি। মহাকা হায়-মীয়ামদা থবক ফংহন্নবগী তঞ্জা পীবা, স্কিল প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা ৱাখল্লোনশিং পীবা, নহাশিংদা মগুন লৈবা শিক্ষা ফংহন্দুনা লৈবাক অসিবু চপ মান্নবা মীৎয়েংদা অমত্তা ওইবা লীচিংদা শেমগৎনবা থৌরাংশিং পায়খৎসি। ভারতনা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগা ফ্রি ত্রেদ এগ্রীমেন্ট সহি তৌনদুনা পোৎথোক পুথোকপগী চাং হেনগৎহন্দুনা পোৎথোকশিং অসি মপান লমদা থাদোকবগী তঞ্জা অমসু ফংলে।

লৈবাক অসি অমসুং রাজ্যশিংগী তুংগী য়ুম্ফদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা ইনক্লুসিপ হ্যুমেন দিবলপমেন্ট ফোর ভিক্সিত ভারত এদ ২০৪৭ হায়বা হীরমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা ১১ শুবা নিতি আয়োগকী মীফম অদুদা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং, নিতি আয়োগকী ভাইস চেয়ারমেন-অশোক কুমার লহিরি, য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী উপ রাজ্যপাল অমদি রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রিশিং শরুক য়াখি।

**খেমচান্দ (এল) ঃ** ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা নিতি আয়োগকী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ্ অমদি কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারগী অচেৎপা থৌশিলগা লোয়নন‍া মনিপুরগী আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম শিংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলে। আই.দি.পিশিং খুন্দা লৈতাহনবগী মতাংদা মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কেন্দ্রগী মতেংগা লোয়নন‍া আই.দি.পিশিংগী রি-সেট্রলমেন্ট এন্দ রি-হেবিলিটেসন পেকেজকী মখাদা তাঙ্কক নাইনা মখোয়বু খুন্দা লৈতাহনবগী থবক চংখরি।

শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী ওইনা পি.এম.এ.ৱাই.-জিগী মখাদা কেন্দ্র সরকারনা অহেনবা য়ুম লিশিং মঙা শানবা অয়াবা পীরক্লে। মহাকা হায়-সরকার হেক পায়বদগী লমদম অসিদা শান্তি হনজিলহন্নবা হোৎনবা খক নত্তনা রাজ্য অসিদা খুন্দারিবা জাতি কাংলুপশিংগী মরক্তা থাজনবা হেনগৎহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

ম্যান্মারদা চরাংনবা থোকপনা লমদম অসিদা শিংনবা কয়া মায়োকরিবা অদুগী মতাংদা ৱাফমশিং ফোংদোক্লদুনা শ্রী খেমচান্দনা ঙমখৈ পরিংদা ঙাক শেনবগী থবক হেন্না কনখৎহনবা, সরভিলেন্স সিষ্টেম ফগৎহনবা, দ্রগ, খুৎলায় অমদি মী লল্লোনবগী থবক থৌরমশিংগী মায়োক্তা পুন্না থবক পায়খৎমীন্নবা তঙাইফদে হায়খি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ভারত ম্যান্মার ঙমখৈ ৱাংমদগী দ্রগ পুশিল্লকপা অমসুং আইননা য়াদবা মওংদা খুৎলায় পুশিল্লকপা থিংনবগীদমক ঙমখৈ শম্বল খাবগী থবক কিলোমিটর ৫০ লোয়শিনখ্রে। কিলোমিটর ৮০ গী থবক হৌজিক হৌরে।

মনিপুর শান্তি অমসুং চাউখৎপরোমদা তপা তপা চংশিল্লক্লি হায়রদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-কেন্দ্র সরকার অমসুং নিতি আয়োগকী মতেংনা ভিক্সিত মনিপুর অমা ওইনবা পান্দম থল্লি।

**সরদা (এল) ঃ** বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-অধিকারি ময়ুম সরদা

দেবীনা মনিপুরগী অমত্তা ঙায়রবা রাজ্য সভা সদস্য ওইরগনি।

হৌজিক হৌজিক রাজ্য সভা সদস্য ওইরিবা মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবগী থবক পায়বগী মতম থা অসিগী ২১ দা লোয়রগনি। সিট অসিগীদমক শ্রীমতি সরদা দেবী নত্তনা অতোপ্পা মীরেপ অমত্তা চোংথোরক্তবদগী মহাকপু ঙসি মনিপুর বিধান সভাগী সেক্রেটরিনা মীখল অসিদা লম্বা য়াওদনা মায় পাক্লে হায়না লাউথোকেপা লোয়ননা সার্টিফিকেট খুৎশিন্নখি।

**সটদাউন্দ (এল)ঃ** নাগা তাবা মফমশিংদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু.এনসি) না কৌখিবা পুং ২৪ গী সটদাউন্দনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অপনবা থোক্লে।

নাগাগী মীওই তরুক্কী অশিবা হকচাং ফংখ্রবা মতুংদা মীশি অসিগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগদবনি হায়বা দাবীদা য়ু.এন.সিনা বন্দ অসি কৌখিবনি।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী-এ. হেখিনিনা হায়-থৌদোক অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি অয়ুক পুং তরুক্তগী হয়েং অয়ুক পুং তরুক ফাওবা সটদাউন্দ কৌখিবনি। মীহাৎ অদুদা চেন্নবা মীওইশিং ফানবা অমসুং কুকি মিলিটন্টেশিংগা সহি তৌনরিবা সু লৌথোকবা য়ু.এন.সিনা দাবী তৌরি।

জোইন্ট ত্রাইবস কাউন্সিল মনিপুরনা টোটেল সটদাউন্দ শৌগৎপগা লোয়ননা য়ু.এন.সিনা তাল্লিবা দাবী তরুক অদু কেন্দ্র সরকার অমসুং রাজ্য সরকারনা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি। সটদাউন্দ অসিনা তমেংলোং জিলাগী মফম কয়াদা চাউনা অপনবা থোকখি। মীয়াম থোরক্তুনা লম্বীদা গাড়ি থিংখি। কৈথেল, স্কুল, কলেজশিং থোং হাংখিদে। সরকারগী ওফিসশিংদা মী কারকপগী চাং নেমখি।

মরক অসিদা, সেনাপতিদা লৈবা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন.পি.এফ) মনিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ওফিস শকখঙদবশিংনা অমাং অতা থোকহল্লম্লে হায়রি। থৌদোক অদু ঙরাং অহিং নোংয়াই অদুৱাইদা থোকখিবনি হায়রি।

**কন্দেম (এল)ঃ** নাগা মীচম তরুক অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবগী থৌদোক অদুবু কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুরি ইন্তিগ্রীতি (কোকোমি) না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। কোকোমিগী চেরোল অমনা হায়-মরাল লৈজদবা মীচম মীয়ামবু ফারবা মতুং তমথিনা হাৎপা হায়বসি মীওইবগী লীচৎ নত্তে। মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবশিং পুথোক্কুনা আইনগী ওইবা মতিক চাবা চৈরাক পীগদনি।

নোর্থ ইষ্ট ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (নেসো), ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমশু), কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া-ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল, মনিপুর পিপলস পার্টি, ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস মনিপুর ষ্টেট কমিতি-বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, রোংমৈ বেপটিস চর্চেস কাউন্সিল অমসুং পিছ এন্দ ইন্তিগ্রীতি কমিতি-কিয়ামগৈ অমসুং ওল কিয়ামগৈ নুপী চাউখৎ থৌরাং লুপনা মীওই তরুক হাৎলম্বগী থৌওং অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**নোংঃ** ইন্দিয়ান মেট বিভাগনা অৱাং নোংপোক ভারত অমসুং সব-হিমালয়ন ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী মফমশিং-কেরলা, করনাতক অমসুং তামিল নাদুগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানিদগী তরেৎনি ফাওবা অসিদা নোং কন্না চুগনি। কেরলাগী মফম কয়াদা নোং চুগনি হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে। কেরলা, করনাতক অমসুং লক্সদ্বিপকী সমুদ্র খোঙবানশিংদা লৈবা ঙামীশিংনা সমুদ্রদা ঙা ফাবা চৎতনবা খঙহল্লি। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তনা থাংজ নুমিৎ ফাওবা লেন য়াওনা অখাক অরাও অমদি অকনবা নুংশিৎ শিৎকনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরগী পাউ মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, ককচিং, জিরিবাম, বিষ্ণুপুর, কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলদা ঙসি অমসুং হয়েং অখাক অরাউ

য়াওনা নোং চুরবা য়াই। অতৈ জিলাশিংদসু ঙসিদগী হৌদুনা লাক্লিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা অখাক অরাওও য়াওনা নোং চুগনি হায়রি।

**সেনাপতি(এল)ঃ** সেনাপতি জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা নেসনেল হায়ৱে টুগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। নোংজ্ থা লাক্ত্রিঙৈ মমাংওইননা লম্বী অসিদা শেমগৎ শাগৎলিবা থবক থৌরমশিং দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা য়েংশিনখিবনি। খোঙচৎ অদুদা হায়ৱে অসিগী মফম কয়া খুদক্তা শেমগৎপগী তঙাইফদবা কয়া থেংনখি।

নোংজ্ পন্থা মতমদা লম্বী পরিং অসিদা অপনবা য়াওদনা চৎথোক চৎশিন য়ানবগীদমক এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা পাউতাক পীখি।

**ৱাটর (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি ক্রিসি সিনচাই য়োজনা-ৱাটরসেদ দিবলপমেন্ট কম্পোনেন্ট টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা মেনেজমেন্ট ইনর্ফোমেসন সিষ্টেমগী মতাংদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা রাজ্য থাক্কী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসিদগী ওল্ড সেক্রেটরিয়েটকী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখ্রে।

ষ্টেট লেবেল নোদেল এজেন্সি ফোর ৱাটরসেদ মেনেজমেন্ট মনিপুরনা শিনবা থৌরমদুদা ৱা ঙাংলদুনা নোদেল এজেন্সি অসিগী চীফ ইগজ্কিটিব ওফিসার-ডা: রাজকুমারী সুনিতা দেবীনা হায়-কেন্দ্রগী দিপার্টমেন্ট ওফ লেন্দ রিছোর্সেসকী পোরটেলদা মেনেজমেন্ট ইনর্ফোমেসন সিষ্টেম চাং নাইনা অপদেদ তৌবা য়ামমক তঙাইফদে।

মহাকা হায়-মতম চানা প্রোজেক্টশিং মপুং ফানা লোয়শিন্নবগীদমক মরী লৈনবা ওফিসারশিংনা অপিবা মতমদা থবকশিং লোয়শিন্নবা হোৎনগদবনি।

**হোম (এল)ঃ** গৃহ মন্ত্রালয়না খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না রাজ্যগী হোম গার্দ পার্সোনেল মশিং লিশিং ৩,৩৯৪ দা হেনগৎনবা রাজ্য সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাংগী মতাংদা খঙহল্লকবা হায় কোর্টনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ি ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসননা থাংগৎলকখিবা ৱাকৎ অমগা মরী লৈননা ঙরাং হায় কোর্ট ওফ মনিপুরগী জষ্টিস-এ. গুনেশ্বর শর্ম্মগী কোর্টতা হিয়ারিং চথখ্রে। মদুদা, রাজ্যগী ওইনা লৈরিবা হোম গার্দ মশিং অসি সেঙ্কসন ষ্ট্রেঙ্কতা হেনগৎনবা, নৌনা শেমখিবা ককচিং অমসুং জিরিবাম জিলাগী ওইনা পার্সোনেল ৪০০ লৌবা অমসুং হাংদুনা লৈরিবা পোষ্টশিং মেনখৎনবা রাজ্য সরকারনা পায়খৎলিবা থৌরাংশিং চয়োল অহুমগী মনুংদা অইবা ওইনা পাউখুম পীরকবা খঙহনখি।

**এসআইআর(এল)ঃ** মনিপুর ইনোভেসন সোসাইতি ইম্ফালনা মহারাজ বোধচন্দ্র কলেজগী আই.ক্যু.এ.সিগা খুৎশমরগা স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) ২০২৬ গী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমা কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা আই.ক্যু.এ.সিগী কো-ওর্দিনেটর-ডাঃ এন. সোমোরেন্দ্রানা গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমদা নাগরিকশিংগী অধিকার অমসুং ভোটর লিষ্টতা য়াওনবা এস.আই.আর তৌবগী মরুওইবা কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**এআইআর(এল)ঃ** হৌজিক চথরিবা স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজনগী শরুক অমা ওইনা বিষ্ণুপুর জিলাদা বি.এল.ওশিংনা য়ুমথোং য়ুমথোং চংদুনা চেক তৌবা, ইন্যুমেরেসন ফোর্ম পীবা অমদি দিজিটাইজ তৌবগী থবক থৌরমশিং জিলা অসিগী ইদিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা য়েংশিনখ্রে।

**দ্রাফট(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা লিলোং, থৌবাল, ৱাংখেম, হৈরোক, ৱাংজিং তেন্থা অমসুং খাঙবোক বিধান সভা কেন্দ্রগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী দ্রাফট লিষ্ট ফোংলে হায়রি।

হায়রিবা দ্রাফট লিষ্ট অসি মরী লৈনবা ই.আর.ওশিংদগী য়েংবা য়াগনি

হায়রি।

**ফিফাঃ** ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল-২০২৬, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, মেক্সিকো অমসুং কনাডানা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসি অহিং নোংয়াই মতুংদগী হৌরগনি। টুর্নামেন্ট অসি লৈবাক অহুম অসিগী তোঙান তোঙানবা সহর ১৬ তা পাঙথোক্কনি।

অহানবা মেটচ ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ১২ মখায় তাবদা গ্রুপ (এ) গী মেটচ অমদা মেক্সিকোগী সিটি ষ্টেদিয়মদা মেক্সিকোগা সাউথ আফ্রিকাগা শান্নগনি। অনিশুবা মেটচনা হয়েং অয়ুক পুং ৭ মখায়দা মেক্সিকোগী সহর-জপোপানদা সাউথ কোরিয়াগা চেককিয়াগা শান্নগনি।

মথং থাগী ১৯ ফাওবা চথ্নগদবা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা ওইনা টিম ৪৮ না শরুক য়ারি। মসি হান্নদি টিম ৩২ না শরুক য়ারম্বনি।

**থাউঃ** ইথানোল য়াওবা পেট্রোল মখল খরদা সরকারনা এক্সাইস দ্যুতি লৌথোকখ্রে।

কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রালয়না থোকপা নোটিফিকেসন অমদা হায়-ইথানোল চাদা ২২, চাদা ২৫, চাদা ২৭ অমসুং চাদা ৩০ য়াওবা পেট্রোলশিংদা লৌরম্বা সেন্ট্রেল এক্সাইস দ্যুতি লৌথোক্লে।

মন্ত্রালয়না হায়-হায়রিবা থাউ মখল অসিদা হৌজিক এক্সাইস দ্যুতি অমত্তা লৌররোই। থৌরাং অসি ইথানোল য়াওবা পেট্রোল শিজিন্নবগী চাং হেনগৎহন্নবনি। মসিনা মপান লমদগী শুংদ্রোক্ত্রিবা থাউ লৌবগী চাং হন্থহনবা, কার্বোন পুথোকপা হন্থহনবা অমদি লমদম অসিদা পুথোকপা ইথানোলগী চাং ৱাংখৎহন্নবনি।

**ফুটবোলঃ** ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি মপাল কাংজৈবুংদা শান্নখিবা মেটচতা- অনৌবা ইমাগী

মঙাল (এম) খাবমনা জ্‌বিনাইল ক্লবপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা-উৎলৌ এফ.সিনা নেরোকা এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** ৬৫ শুবা ইন্টরনেসনেল সুবরতো ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা চহি ১৫ মখাগী মেটচতা-এ.জি. মেমোরিএল একাডমী-চরাংপাৎনা ন্যু পব্লিক হয়ার সেকেন্দরি স্কুল-খাঙবোকপু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

চহি ১৫ মখাগী মেটচতনা-ন্যু পাব্লিক হয়ার সেকেন্দরি স্কুল-খাঙবোকনা খোঙজোম ষ্টের্ন্দদ ইংলিস স্কুলবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

চহি ১৭ কী কাংলুপদা রোয়েল একাডমী ৱাংজিংনা কে.এম. ব্লুমিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলবু পাঞ্জল ৪-১ দা অদুগা খোংজোম ষ্টের্ন্দরদ ইংলিস স্কুলনা লমদিং হয়ার সেকেন্দরি স্কুলবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চহি ১৭ মখাগী কাংলুপ্তা রোয়েল একাডমী ৱাংজিংনা খোঙজোম ষ্টেন্দরদ ইংলিস স্কুলবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** ৩ শুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টৌইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-নাপসা খা ইম্ফালনা আর.এন.ই.এফ. এম.আই.সি.এ. ময়াং ইম্ফালবু দি.এল.এফ. মেথোদতা রন তরুক্তা থোইখি।

**ক্রিকেটঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ট্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-এম.পি.এ. থৌনাওজমনা এস.সি.সি.সি. শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু রন-১৩৬ তা থোইখ্রে।

তাউথোং খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতনা-সেদো থাংমৈবন্দনা

এল.সি.সি. লমশাংবু রন-৪৫ দা থোইখি।

থৌবালগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা-সি.দি.সি.সি. শগোলবন্দ সলাম লৈকাইনা সি.সি.কে. খোঙমনবু রন-২৭৯ দা থোইখি অদুগা মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা-ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা ক্রাউ-খামনাম বজারবু রন অনিদা থোইখি।